তোখায়বা তিপ্রালেন্দ শেম্নবা তকশিল্লদুনা আই পি এফ টিনা দিল্লিদা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

অগরতালা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি):

দিসেম্বর ২ দা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি)না তোখায়বা তিপ্রালেন্দ শেম্নবা তকশিল্লদুনা দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা খোঙজং চঙশিনগদৌরি।

সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটৌরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খায়দোকখিবা মরম্না ত্রিপুরাদসু য়েলহৌমীশিংগী তোখায়বা তিপ্রালেন্দ ষ্টেট শেম্নদা অকায়বা লৈতে হায়না পার্টি অসিনা ফোঙদোক্লি।

মমাং চহীদগী বি জে পিগা খুৎশম্নদুনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়বা য়াওরিবা আই পি এফ টি অসি কুমজা ২০০৯ দা এন সী দেববর্মাগী লিচিং মখাদা লিংখৎখিবনি। অগরতালা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা আই পি এফ টিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা পার্টিগী স্পোক্সপর্সন মঙ্গল দেববর্মানা হায়খি, নবেম্বর ২৮ দা আই পি এফ টিগী ৱর্কর অমসুং লুচিংবা ৫০০ না শাবা টিম অমা ন্যু দিল্লিদা চৎলগনি। দিসেম্বর ২ দা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা সীট-ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোক্লবা শেম-শারে।

সেন্টরনা তোখায়বা থৌশিল অমা শেমদুনা তিপ্রালেন্দ ষ্টেট শেম্নবগী থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে হায়ন পল্লদুনা আই পি এফ টিনা হায়খি মদুদি, মমাং চহীদা শেমখিবা হায় লেভেল ফেক্ট ফান্দিং কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দিজিনস ট্রাইবেল মীয়াগীদমক তোখায়বা ষ্টেট অমা শেমগদবনি। পার্টি অসিনা হৌজিক-হৌজিক ত্রিপুরাদা লৈরিবা ব্রু রেফ্যুজিশিংগী মতাংদসু তুং কোইনা চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টতা কন্সটিট্যুসনগী সিক্স সেদ্যুল এমেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎগদবনি হায়না পল্লদুনা পার্টি অসিনা হায়খি, এমেন্দমেন্ট বিল অসি হৌখিবা জন্যুৱারি থাদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রবনি। পনবা য়াবদি, ত্রিপুরাদা হৌজিক-হৌজিক চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা লুচিংবা লৈঙাক্তা আই পি এফ টিগী ফাওন্দর দেববর্মা অমদি জেনরেল সেক্রেটরি মেবার কুমার জমাতিয়াসু য়াওরিবনি।

নবেম্বর ২৮ দগী ৩০ ফাওবা গুৱাহাতিদা এলিফেন্ট দিজিজকী সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি

গুৱাহাতি, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি):

খনাপরাদা লৈবা অসাম এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ফেকলটি ওফ ভেটরিনরি সাইন্সতা মরিশুবা এসিয়া ৱর্কিং গ্রুপ মীটিং অমসুং এলিফেন্ট এন্দোথেলিওট্রোপিক হর্পিস ভাইরস (ঈ ঈ ঐচ ভি)গী ইন্টরনেসনল সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি।

নবেম্বর ২৮ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেমিনারদা চাওরাক্লা মীওই ৯,০০০ শরুক য়াগদৌরি। অৱাং-নোংপোক লমদমদা শামু মরাং কায়না লৈবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা শামু শরুক অহুম থোকপগী অমা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরি। এসিয়াগী ওইনা অপুনবা শামু ১০গী মনুংদা অমা মফম অসিদা লৈ হায়না পান্নরি। অদুমওইনমক তোঙান-তোঙানবা মরম কয়াদগী শামু কয়া শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক তপ্না-তপ্না মশিং হন্থরকপগী ফিভমদা লাক্লে।

শামু কয়া মৈনা চিংদুনা অমদি ট্রেন্না থোমদুনা শিবগী মতাংদা কয়ারক হন্না খন্ন-নৈনখ্রবা মতুংদা লায়না মখল অমনা শামু কয়া শিহল্লকপা থেংনরে। এলিফেন্ট এন্দোথেলিওট্রোপিক হর্পিস ভাইরস হায়রিবা লায়না অসিনা থা অনীদগী চহী ৮ ফাওবদা লৈবা শামু কয়া নাহল্লকপা থেংনরি।

মালেম অপুনবগী ওইনা লায়না অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরকপদগী হীরম অসিগা মরী লৈননা এসিয়া ৱর্কিং গ্রুপ অমা শেমখি। সিঙ্গাপোর জুদা ৱর্কিং গ্রুপগী মীফম অনীরক পাঙথোকখ্রে। থাইলেন্দগী হুৱা হীলস ভেটরিনরি হোস্পিটালদসু মীফম অমা পাঙথোকপা লৈখ্রে।

এসিয়াগী শামুশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা থৌদাং মরু ওইবা মরম্না গুৱাহাতিদা ৱর্কিং গ্রুপকী মরু ওইবা মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। খনাপরাগী অসাম এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা ফেকলটি ওফ ভেটরিনরি সাইন্সনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা সেমিনারদা মালেমগী অখঙ-অহৈশিংনা ঈ ঈ ঐচ ভিগী মরমদা থেংনরকপা পুম্নমক মরিক চুপ্পা পাউদম পীগদৌরি।

ব্রু রেফ্যুজি কেম্পশিংদা রসন পীবা লেপখিবগী মতাংদা ত্রিপুরাগী ওফিসল তরুক্তা লিগেল নোটিস থাখ্রে

অগরতালা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি):

ব্রু রেফ্যুজি কেম্পশিংদা রসন পীবা লেপখিবগী মতাংদা ত্রিপুরাগী ওফিসল তরুক্কী মথক্তা লিগেল নোটিস থাখ্রে। স্কিম অমগী মখাদা রেফ্যুজি পুম্নমক মিজোরামদা হলহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা সেন্টরনা ওক্তোবর ১ দগী রেফ্যুজিশিংদা রসন পীবা লেপখিবনি। রেফ্যুজিশিং মিজোরামদা হল্লু হায়বা য়াখিদবা মরম্না রসন পীবা লেপখিবনি হায়রি।

ব্রু রেফ্যুজিশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সুপ্রিম কোর্টকী এদভোকেট অলি জিয়া চৌধুরিনা ত্রিপুরাগী ওফিসল তরুক্তা লিগেল নোটিস থাখি। এদভোকেট চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা ব্রু রেফ্যুজি কেম্পতা রসন পীবা লেপখিবগী থৌওং অদু মরম চাদে হায়রি। ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা লৌখিবা ফিরেপ অদু সুপ্রিম কোর্টনা পীবা য়াথং থৌশাদবনি হায়না লৌফম থোকই হায়রি। ওফিসলশিংদা থাখিবা লিগেল নোটিসতা এদভোকেট অলি জিয়া চৌধুরিনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা ত্রিপুরাগী ব্রু রিলিফ কেম্প ৭ তা রসন পীবা লেপখিবনা মরম ওইরগা রেফ্যুজি কয়ামরুম খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। হৌজিক ফাওবদা রেফ্যুজি ৬ চরা হেনবদগী শীখ্রে। পুলিসনা রেফ্যুজিশিংগী মথক্তা কা হেনবা থৌওং চথখিবগী খুদমসু ফংলে হায়রি। লিগেল নোটিস থাখিবা ওফিসলশিং অদুদি হোম মিনিষ্টর (ইন্টরনেল সিক্যুরিটিগী) স্পেসল সেক্রেটরি ডা. এ পি মহেশ্বরি, ত্রিপুরাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অখিল কুমার সুক্লা, নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রবন হমেন্দ্র কুমার, কঞ্চনপুরাগী দেপ্যুপি মেজিষ্ট্রেট অভেনন্দন বাইদ্যা, ধর্ম্মনগরগী এস দি এফ সুব্রাতা কুমার দাস অমসুং পানিসাগরগী এস দি এম লালনুনেমি দারলোংনি। ওক্তোবর ৩১ দা রসন পীবা লেপখ্রবা মতুংদা রেফ্যুজিশিংনা কঞ্চনপুরদা লন্থী থিংবগা লোয়ননা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রে।

ত্রিপুরাদা বুক ফেয়র পাঙথোক্কদৌরি

অগরতালা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি):

ফেব্রুৱারি ২৫ দগী মার্চ ৭ ফাওবা অগরতালা বুক ফেয়র পাঙথোক্কদৌরি। নুমিৎ ১২ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা বুক ফেয়রদা ষ্টোল ১৫২ হাংগদৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা অগরতালাগী রবিন্দ্র সত্যবারসিকি ভৱন্দা প্রিপেরেটরি মীটিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা অগরতালাগী মেয়র ডা. প্রফুলাজিৎ সিনহা, এম পি প্রতিমা ভোমিক, অগরতালা প্রেস ক্লবকী প্রসিদেন্ট সুবল কুমার দে অমদি সেক্রেটরি প্রনব সরকারসু শরুক য়াখি।

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3080

	9	1		2				
		6		3			5	
	4		6				3	
	8		2			5		6
4		3			9		8	
	3				4		7	
	5			6		3		
				5		1	2	

Solution-3079

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

8	6	7	1	2	4	9	3	5
2	1	3	7	9	5	6	8	4
9	4	5	8	3	6	1	2	7
5	8	4	3	1	2	7	6	9
1	2	6	9	4	7	8	5	3
7	3	9	5	6	8	4	1	2
4	9	8	2	5	1	3	7	6
3	7	2	6	8	9	5	4	1
6	5	1	4	7	3	2	9	8

CROSSWORD-3281



ACROSS

- 1 Snug (4)
- 3 Ancestor (8)
- 9 Lassos (7)
- 10 Hazards (5)
- 11 Municipal leader (5)
- 12 Reflected sounds (6)
- 14 Diatribe (6)
- 16 Alteration (6)
- 19 Go aboard (6)
- 21 Not loud (5)
- 24 Electronic communication (1-4)
- 25 Treachery (7)
- 26 German motorway (8)
- 27 Exceedingly (4)

DOWN

- 1 Disaster (8)
- 2 Regretful (5)
- 4 Marine mollusc (6)
- 5 Terra firma (5)
- 6 Oriental (7)
- 7 Foolhardy (4)
- 8 Consecrated (6)
- 13 Inclination (8)
- 15 Surviving fragment (7)
- 17 Picnic basket (6)
- 18 Rough drawing (6)
- 20 Extemporise (2-3)
- 22 Savour (5)
- 23 Second Greek letter (4)

Solution 3280

W	A	T	T		D	A	U	G	H	T	E	R
E		W		B		C		U		R		A
T	R	A	W	L	E	R		S	T	I	F	F
H		N		O		O		T		S		T
E	G	G	O	N		S	H	O	W	E	R	
R				D		S				C		P
B	R	A	V	E	S		S	T	A	T	U	E
Y		M				D		H				R
	C	A	S	T	R	O		A	L	O	O	F
C		T		U		R		M		U		U
L	I	E	I	N		S	T	E	R	N	U	M
I		U		E		E		S		C		E
P	A	R	A	S	I	T	E		N	E	E	D

SOLUTION ON NEXT ISSUE

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ/ অমাংথোঙ মনুংদগী ইন্থোরক্লগা মপান্দা কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হামনীং-হামনীং তৌরগা লৈরগা খোঙ হান্বনা য়াদবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, ফান অমদি মোরাদা ফন্বা য়াদবা পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা, চৎপদা য়াম্না শাংনা চৎপা ঙমদবা, মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা অদু ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা অহানবা নারকপা মতমদা অহানবদা খোঙ হান্বা চাং নাইরক্তবা, অদুগী মতুংদা অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, অহিং তুম্লগা মীকপ থোক্লকপা মতমদা অমাংথোঙ হাকৎচৈ হায়না খোৎলগা য়েংলুবা মতমদা তিনকুপ থোক্লগা লৈরন্বা থেংনবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চাবা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা হাকৎচবা হেনবা, শা-ঙা চাবা লেপ্লগনা ঈ তাবা অদু লেপখিবা মতম খরা লৈরগা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা ইনথোক্লগা কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বগী শংবদা য়াম্না নাবা, খোঙ হামনীং-হামনীং তৌরগা লৈরগা খোঙ হান্বা চংলুরগনা খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, চাবা থকপা য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা হকচাংগী মফম খুদিংদা চিকপা-নাবা, ফান অমদি মোরাদা ফন্বা ঙমদবা পোমথোক্লগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা চৎপদা কন্না চৎপা ঙমদবা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম নাবা, খ্বাং নাবা তৌরন্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরন্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5060/13 *থাগৎচরিবা :* **S. Ingocha Singh,** Singjamei

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ/খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, করিগুম্বা অমা হেক চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হামনীংবা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, হকচাংদা চোকথ-ৱান্থরগতা লৈবা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, শূবা চৎপা ঙমদবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, করিগুম্বা অমা হেক চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হামনীংবা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, হকচাংদা চোকথ-ৱান্থরগতা লৈবা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, শূবা চৎপা ঙমদবা, পুক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হামনীংলগতা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা, থাও-মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তারকপা অমদি অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, অমাংথোঙদা থুপ্পা-শাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা চৎপা, খোঙয়া শাবা, কোক লূম্বা অমদি ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা-নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরন্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/5202/13 *থাগৎচরিবা :* **Ng. Tangba Meitei,** Khurai

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ/ খোঙ হান্বদা ঈ য়াওরকপা, শা-ঙা চারগা খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা থাগৎপা, অমাংথোঙ অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থুংবা ফহনবগী ওজা **MV. Kayamuddin** বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা চহী ৭/৮ লোম নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা হকচাং মনুংদা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙদা মতুম-মতুম লৈবা, খোঙ হান্বদা ঈ য়াওরকপা, শা-ঙা চারগা খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা থাগৎপা, অমাংথোঙ অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থুংবা, খোঙ হান্নমদাই খুদিংগী পুক য়েকপা লোইরগা খোঙ হামদোক্তবা, খ্বাং য়াম্না নাবা, লেংজুম মরী চিকপা-নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাখৎলগা খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা খুদিং শৌজ তারগা লৈবা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469, 8575814720** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরন্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবী : **Irom (O) Nanaobi Devi**
Kameng Mamang

HL-P/5004/13

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ/ পাইলস ওপরেসন তৌদনা ওজা কবিরাজ অবদুল হককী হীদাক চাজবদগী মপূং ফানা ফজরে

তশেংনমক ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবিরিবা ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681 গী হীদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা লৈরন্বা পাইলসকী অৱাবা হায়বদি খোঙ হান্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজ নান্থবা ইনখৎত্রিফাওবা চংদবা, খোঙ হান্বদা বেরা কাবা, কুইনা চংবা, শৌজ মপান্দা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, পুক খোংবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবনি। অদুবু ওজাগী হীদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে, পাইলস মপূং ফানা ফজরে। হৌজিক্তি ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা অমফাওবা লৈজদ্রে। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4.30pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

থাগৎচরিবা : **L. Hemanta**
Awang Potsangbam

HL-P/5090/13

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থেইদোক্লা য়ানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অক্জমা, উরিং, মায় চাখৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুং শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, খবাক নাবা, মীহুন কা য়েল্লা চোংবা, খবাক খেবা, শ্বর খুনবনচিংবগীদমক য়াবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(ডাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

ডাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি থেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্কাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইহনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কম্ব চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কম্ব চৎপা, ফিনুংদা হাকচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিট্রো চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং য়েল্লা নৎত্রগা য়াৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাকচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা য়াবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/5647/31/08 - 30/09

DUTTA

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক **ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC** তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা য়ানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুগী অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুং শিথবা, মশঙ নাবা, খবাক নাবা, মীহুন কাহেল্লা চোংবা, খবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কম্ব চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কম্ব তোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলিস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পান্থিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ওঙ্গ অমসি শোন্থরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্বা পুন্সি শাংলোকহল্লকপা মেন পথার অদোমগীদমক লৈরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিট্রো চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাষ্ট্রিক্কী :

নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্কাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিং কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং লোয়না লোয়মগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেন্স পথার হেক্কথহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল লৌহৌননা কংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা য়াৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হকথি তোয়না খনবা, শ্বর হোনবা য়াবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেডিসিননা ফহনবা ঙম্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তানবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্লনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/546/31/08-30/09

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN MID BRAIN ACTIVATION COURSES

(A Life time gift to your child)

Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.

জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ **8787562714 / 9862287481**
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.

HL-P/5271/13

মোটে এন্দ কোপু (অনাল ফোক টেল)

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম



নুমিদাং খুদিংগী লমওক হিংচাবা অমা লাক্লম্মী।
অদুগা পানশিংদুবু নৈখাইদুনা চারম্মী।
খিনুগী মমা লুখ্রাবীনা মাগী পামদা পান খরা থারম্মী।